থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঈশ্বরগী বাইওগ্রাফি ইবা

কনাগুম্বা অমগী পুন্সি ৱারী, পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ময়ামগী ইথোক্লবা লাইরিক, অদুসু, খূৎনম ওইনা পুথোক্লবা - অদুবু কৌই 'বাইওগ্রাফি'। কনাগুম্বা অমনা, মশাগী পুন্সিদা থোকখিবা মরুওইবা থৌদোকশিং খনগৎলগা, নীংশিংলগা ইবা খূৎই অদুবু 'মেমোইর' হায়না খঙনৈ। অদুগুম্বা মেমোইর অদুনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌরগা মপূং-মরৈ ফারবা মতম ফাওবগী ৱারী পরেং ওইরক্লবা, খূৎই অদু 'ওটো-বাইওগ্রাফি' ওইরকই। মমিং চৎলবা মী কয়াগী পুন্সি-ৱারী, অতোপ্পা মীনা ইবিবা অমদি মশামক্না ইজবা, লাইরিক কয়া পাখরে, অনৌবা কয়াসু পারক্লি, পাখিগনি তুংদসু। বাইওগ্রাফি নৎত্রগা ওটো-বাইওগ্রাফি ইবা-মালেম শিন্না মমিং চৎলবা কনাগুম্বা অমগী ওইরবা, খ্বাইদই শেন্দোং ফংবা বিজিনেসশিংগী মরক্তা অমনি। পব্লিসরশিংনসু দোল্লর নৎত্রগা রুপিজ মিল্লিয়ন কয়া ইনভেষ্ট তৌবদা পাম্মুবা খঙদে, মাঙলোইদবা ইনভেষ্টমেন্ট'নি। মালেমদা অহিংবা ওইনা পোকখিবা মীওইশিংগী মরমদা ইবা লাইরিক অমদি বাইওগ্রাফি, খ্বাইদই মশীং য়াম্না ফোঙখিবা 'মোহন্দাস করমচান্দ (মহাত্মা) গান্ধী'গী মরমদনি।

মীওইবনা মীওইবগী মরমদা ইবা লাইরিক করিগী পানীংলিবনো? ৱাখলনা শাগৎপা মীওইবগী ৱারী পাবগা, কনাগুম্বা অমগী পুন্সি ৱারী পাবগা - মীওইবনা করম্ববু হেন্না পাম্বগে? তশেংনা কূপ্না নৈনরুরবদি খঙগনি - ঐখোয় মীওইবনা পানীংলিবা 'মীওইবগী ৱারীনি'। ঐখোয় মীওইবনা তানীংই - মহাক মশা নত্তবা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী ৱারী। অদুনা ঈ-মহাক্না খঙবা কনাগুম্বা অমগী মফমদা থোকখিবা, মশামক্না থেংনহৌবা নৎত্রগা অতোপ্পনা লীরকপা ৱারী কয়া, ৱারীমচা নৎত্রগা ৱারী অচৌবা (উপন্যাস) কী খূৎইদা। অদুগা হায়, ৱারী অদু অশেঙবা নত্তে, মাগী ৱাখলনা শাগৎপনি। ফিক্সন'নি। অদুবু তশেংবদি ফিক্সন - রাইটিং খুদিংমক কনাগুম্বা শকখঙদবা অমগী অশেংবা পুন্সি ৱারীনি। অদুনবু পারিবনি মীওইবনা।

কনাগুম্বা অপাবা অমনা পানীংবা, মপূং ফারবা (মচেৎ ওইদবা) পুন্সি ৱারী অমা ওইনবা, প্রোটাগোনিষ্ট (হিরো) ওইরিবা মীশক অদুগী পুন্সিদু, লোইখ্রবা পুন্সি অমা ওইবা তায়। হিংলিবা মীশক অমগী ৱারীদি লোইশিন্দ্রিবা ৱারীনি। মপূং ফাবা বাইওগ্রাফি অমা ইনবা, মহাক অদু শিদ্রিফাওবা ঙাইবা তায়। মরম অসিনা কনাগুম্বা অমনা মশানা ইজবা 'ওটোবাইওগ্রাফি' খুদিংমক মপূং ফাদ্রিবা লাইরিকনি, ইগদবা পন্দুপ খরা ৱাৎলিবনি।

ঐখোয়না কনাগুম্বা অমগী পুন্সি ৱারী পারিবা, মীশক অদু মশক খঙনবখক্কী নত্তে। মহাক্কী ৱারী পারগা, মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদুদা ওইরম্বা খুন্নাইদুগী মশক খঙনবা হোৎনবদা মতেং ওই। যিশুগী ৱারী পারগা, মতমদুগী মীওইবা অমদি খুন্নাই মশক খঙ'ঙম্মী। বুদ্ধগী ৱারী পারগা, যিশুগী মমাঙ চহী লিশীং অনী চামঙাগী মতমদুগী মীওইববু 'শকখঙই। বুদ্ধগী মমাঙ অতোপ্পা চহী ২৫০০গী মমাঙগী মীওইবা খুন্নাই শক খঙনবা কৃষ্ণগী ৱারী পাবা তায়। অসুম্না নীংশিংবা থোক্লবা মতমগী মমাঙদগী পোকপা-শিবগী চক্রসিগী মনুংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোক্তুনা লাক্লবা মীওইবগী থৌদোক-ৱাথোক-ঙসিগী মীওইবনা খ্বাইদগী তানীংবা ৱারী ওইদুন'সুম লৈরি।

ঙসিদি,ঐগী অঙাওবা ৱাখল অসিনা পানীংলকই - ঈশ্বরগী বাইওগ্রাফি। কৃষ্ণগী, বুদ্ধগী, জিসসকী, মোহম্মদ-মহাবীর-নানক্কী পুন্সি ৱারীদি ইরগা, মখোয় পূম্নমক্না থিরল্লিবা, মশক তাক্কে হোৎনরল্লিবা লাই/ঈশ্বর/গোদ/অল্লাহ... মহাক্কী পুন্সি ৱারী (বাইওগ্রাফি) অমা ইগে হোৎনরমদ্রিবদি করিগীনো?

য়েস! হোৎনরমদবদি নত্তে। মীওইবনা ঈশ্বরগী ৱারী ইনবদি হোৎনরমখি, হোৎনরি, হোৎনখিগনি। ইবা ঙমদবগী ৱানি। ঈশ্বর হায়বসি লাক্লম্লগা চৎখিবা, লোইশিনখ্রবা থৌদোক খরগী থৌবু ওইরম্বা কনাগুম্বা অমা নত্তে। মসিদি কন্টিন্যুয়স প্রোসেস, লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা, তুংদসু চত্থখিগদবা, মসিনা অরোইবনি হায়বা য়াদবা, কৈদৌঙৈ হৌখিবনো খঙদবা থবক থৌওং অমনি। ঈশ্বরগী অপোকপা অপোকপী লৈতে। কৃষ্ণ, জিসস, মোহম্মদ - পূম্নমক্কী অপোকপা-অপোকপী লৈ, অরোইবা পুন্সি মীকূপ'সু লৈখি। মখোয় ঈশ্বর নত্তে। মখোয়বু ঙসি ফাওবা, মীরোল কয়ানা কাউঙমদনা শোন্নরিবা - ঈশ্বরবু মশক খঙনবা, শক্তাক্লবা হোৎনখিবা, অঙাওবগী থবক অদু তৌরুবগীদমকনি।

কৃষ্ণদি কৈদৌনুংদসু ঈশ্বর ফংনবা হোৎনখিদে। মীওইবনা তৌবা ঙমদবা অঙকপা থবক কয়া তৌখিবা, থোইদোক হেন্দোকপা গুনশিং অদুগীদমক লাইগুম ঈরাৎনবনি। মহাকপু লাই ওইনা লাৎনরমদাই মতমদদি রাধা অমদি গোপিশিংগা থাবলদা জগোয় শামিন্নবা, কোক্তা চুরা থোনবা বাঁসি খোংবা শক্তমদুবু নীংশিংই। বুদ্ধবু নীংশিংলমদাইদা খোংনাং পান্বী মরুমদা, খোংগ্রায় চন্দুনা ফল্লিবা, মমিৎ উইশিনবা মুর্ত্তিদুবু নীংশিংই। তিঙ্খাংগী লুহুপ উপ্পা, খোঙ-খূৎতা য়োৎপী য়ৈরগা পাং তিংলিবা শক্তম অদু উরগা জিসস খৃষ্ট নীংশিংই। কৃষ্ণনা খোংনাং মখোঙদা ধ্যান তৌবা নৎত্রগা ক্রোস'তা পাং তিংবা শক্তম মীওইবনা শাগৎলুবা ঙমদে। বুদ্ধ অমদি জিসস'না কোক্তা চুরা, খূৎতা বাঁসি -কনাগী ৱাখলদা শাগৎলরোইদবা শক্তমনি।

অসুম্না ৱাখলদগী থোকখিবা, অরেপ্পা মশক লৈতবা, ঈশ্বর মাগী ৱারীবু ইগে হোৎনরক্লিবা মীওইবা! ওন্থোকপা থৱায় পানবা অমনি মীওইবা। পোকপসু লৈতবা শিবসু নাইদবা 'ঈশ্বর' গী মচানি নৎত্রগা মনাইনি হায়জবা কয়ানা হোৎনরকখি - মাগী বাইওগ্রাফি অমা ইনবা। অদুবু ইরিবা ৱারী খুদিংমক, কাল চক্র (মতমগী খোঙচৎ) মনুংসিদা মতাং অমদগী অমদা চন্নফম হেক্তা লৈরক্লোইদবা, অনৌবা ৱারী অমগী অহৌবা অমা ওইরগদবা ঙাক্তনি। ঐখোয় মাগী ৱারী ইরগুমসি। ঈশ্বর হায়বসি লেপ্পা লৈতনা চাউথোরক্লিবা, লোইবা নাইদবা ৱারীনি।

লৌশিং পুক্কে

# ভেজিটরিয়ন দাইটনা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন্দগী ঙাকথোকপা য়াই হায়বা ষ্টদিদগী খঙবা ঙমখ্রে



টাইৱানগী বুদ্ধিষ্টশিংদা চত্থখিবা ষ্টদি অমনা মনা-মশিংগী চীঞ্জাক চাবগা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ু টি আই) গী রিস্ক নেম্বগা লৈনবা মরী অমা থেংনখ্রে।

ফাইবর য়াওবনা মরম ওইরগা মনা-মশিং য়াম্না চাবনা য়ু টি আইগী রিস্ক হন্থহনবা য়াই।

টাইৱানগী চ্যায়ি কাউন্টিদা লৈবা দালিন জু চি হোস্পিটালগী দিপার্টমেন্ট ওফ কার্দিওলোজিগী দা. চিন লোন লিননা ষ্টদি অসিগী মকোক থোংবা রিসার্ছর ওইরি।

মীওই অয়াম্বদা য়ু টি আই লায়নাশিং অসি য়াম্না তোয়না নাগল্লি। মালেম পূম্বগী ওইনা য়েংবদা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ১৫০দা য়ু টি আই নাবা থেংনৈ।

দা. লিন অমদি মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা মখোয়গী ষ্টদি অদুগী পেপরদা হায়রি মদুদি য়ু টি আই অয়াম্বা ইসচেরিকিয়া কোলাইনা থোকহল্লি। ইকুই কুইদ্রিবা ষ্টদি খরদা থেংনখ্রে মদুদি, য়ু টি আইশিং থোকহল্লিবা ঈ কোলাইগী ষ্ট্রেনশিং অসি ইন্টেষ্টাইনল ষ্ট্রেন অমদি নোর্মেল কম্মেন্সেল ষ্ট্রেনশিংগা মান্নদে, অমদি মখোয় অসি মিট (চানবা শা) দা য়াওবা য়াই।

মরম অদুনা রিসার্ছরশিংনা থাজখি মদুদি, ভেজিটরিয়ানশিংদি শা-ঙা চাদবনা য়ু টি আই থোকহনবা ঈ কোলাইগী ষ্ট্রেন অসিদা এক্সপোজ তৌবগী চাং হন্থরমগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চত্থবা ষ্টদি অমত্তা ঙসিফাওবদা লৈত্রি হায়না পল্লদুনা রিসার্ছরশিং অদুনা ষ্টদি অসি তৌনবা হোৎনখিবনি হায়রি। ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অদু সাইন্টিফিক রিপোর্ট্স কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখ্রে।

ভেজিটরিয়ান দাইটশিংগা য়ু টি আই লায়নাশিং নারকপগা লৈনবা মরী এগজামিন তৌনবা রিসার্ছরশিং অদুনা কুমজা ২০০৫ অমসুং ২০১৪গী মরক্তা বুদ্ধিষ্ট ৯,৭২৪দা প্রোস্পেক্টিব ষ্টদি অমা পাঙথোকখি।

ষ্টদি অদু হৌগৎলকপা মতমদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মরক্ত য়ু টি আই নাবা অমফাওবা য়াওরমদে, অদুবু চহী ১০ রোমগী মনুংদা মীওই ৬৬১দা য়ু টি আই দিভেলপ তৌরকখি।

রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী দাইটশিং অদুবু ফুদ ফ্রিক্বেন্সি ক্বেসন্নেরি অমা শীজিন্নদুনা য়েংশিল্লম্মী।

য়ু টি আই লৈহন্নবগী অতোপ্পা পোটেন্সিএল কনফাউন্দরশিং এদজষ্ট তৌরিঙৈ মতমদা ভেজিটরিয়ান দাইটশিংগা য়ু টি আইগী রিস্কক্তা লৈনবা মরী অদু এগজামিন তৌনবগীদমক রিসার্ছরশিং অদুনা কোক্স রিগ্রেসন মোদেলশিং শীজিন্নরম্মী। পোটেন্সিএল কনফাউন্দরশিং অদুগী মনুংদা চহী, সেক্স, এদ্যুকেসন, য়ু থকপা, মৈখু শীজিন্নবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, দাইবেটিস, কোলেষ্টরোল ৱাংবা অমদি মীওই অমবু য়ু টি আইদা প্রিদিস্পোজ তৌহনবা য়াবা অতৈ কন্দিসনশিংসু য়াওরি।

মখোয়গী ষ্টদি অদুদা থেংনখি মদুদি, ভেজিটরিয়ান দাইট চাবনা য়ু টি আই দিভেলপ তৌরকপগী রিস্ক চাদা ১৬ হন্থহনবা ঙম্মী।

চপ চানা হায়রবদা ভেজিটরিয়ান ৩০৪০গী মনুংদা মীওই ২১৭খক্তংদা য়ু টি আই দিভেলপ তৌরকখি। অদুগা নোন-ভেজিটরিয়ান ৬৬৮৪গী মনুংদনা মীওই ৪৪৪দা য়ু টি আই দিভেলপ তৌরকখি।

নুপীশিং, মৈখু অমুক্তা শীজিন্নদ্রিবা মীওইশিং অমদি অনকমপ্লিকেটেদ য়ু টি আইশিংগী ওইনদি অমুক্কা হেন্না নক্নবা মরী লৈনৈ।

রিসার্ছরশিং অদুনা ৱারোইশিন ওইনা হায়, ভেজিটরিয়ান দাইটনা অনকমপ্লিকেটেদ য়ু টি আইশিংদগী অমদি অকক্লনা নুপীশিংদনা য়ু টি আইদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

য়ু টি আইগী রিস্ক, পেথোজেনশিং অমদি ভেজিটরিয়ান দাইটশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি ময়েক শেংনা খঙনবগীদমক য়ুরিন কলচরদগী পেথোজেনশিং মশক খঙদোক্তুনা মখা তাবা ষ্টদি তৌবদি মথৌ তারি হায়নসু রিসার্ছরশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অদুগী লিমিটেসন খরদি লৈতবা নত্তে হায়রি। খুদম ওইনা মখোয়না য়ু টি আইশিং মশক খঙদোক্লবগীদমক ক্লিনিকেল সিম্পটোমশিং লোয়ননা পাইয়ুরা অমদি য়ুরিন কলচর য়াওনা লেবোরেটরি এগজামিনেসনশিংগী মহুত্তা ইন্টর্নেসনল ক্লাসিফিকেসন ওফ দিজিজেজ, নাইন্থ রিভিজন ওইনা শীজিন্নখি।

মথংদনা, খুদম ওইনা ঈশিং থকপা, য়ুম্বান মরী থম্নবা, অমদি চিনার চাবনচিংবা অতৈ ষ্টদি কয়ানা য়ু টি আই থোকহনবা ঈ কোলাইগী ষ্ট্রেন য়াওরম্বা হায়রিবা, মখোয়গী ষ্টদিগী রিজল্টশিং অদুদা এফেক্ট তৌবা কনফাউন্দিং ফেক্টরশিংদি অদুম্মক য়াওরম্বা য়াই।

হায়রিবশিং অসিগীসু মথক্তা ষ্টদি অদুদা ফুদ ফ্রিক্বেন্সি ক্বেসন্নেরি অমখক্তং শীজিন্নবা মরম্না করম্বা ফাইটোকেমিকেলশিংনা য়ু টি আইদগী ঙাকথোকপগে হায়বদু চপ চানা খঙদোকপা ঙমদে। খুদম ওইনা মশিং য়াম্লবা ট্রায়ল কয়ানা ক্রেনবেরিশিংদা য়ু টি আইশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা প্রোটেক্টিব ইফেক্ট লৈ হায়না উৎলি।

# লৈঙাক্কী দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং পায়রক্তবা য়াই : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): ৱার্ক চার্জ অমদি মাষ্টর রোলদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিং চহী ২৫/৩০ য়ৌরবা ফাওবদা রেগ্যুলরদা ওন্থোকপীয়ু হায়বা দিমান্দ তাবীদনা লাক্লিবসি অথুবা মতমদা পীথোক্ত্রবদি লৈঙাক্কী দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং দাউন তৌরকপা য়াই হায়না ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্নিসিয়ন এসোসিএসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কে ইবোমচানা হায়খি, গ্রেদ পে মান্নদ্রিবা অসিসু মান্নহনবীয়ু। এসোসিএসন্না তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং পীবীদ্রবদি ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং লাকপা য়াই। মতম শাংনা তাল্লক্লবা দিমান্দনি। থ্রী টয়ার সিষ্টম অসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অয়াম্বদা লোইনা ফংখ্রে। অতোপ্পা প্রমোসন ময়ামগা লোয়ননা ফংনখ্রবসু মণিপুরগীদি হান্নগী মওংদা অদুম লৈরে। অহোংবা অমত্তা লৈতে। গ্রেদ থ্রীদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ী খূদিংমক লুপা ১৯০০দা গ্রেদ পে লৈরম্বা অদু দ্রাইভরশিংগীদি হুন্দোক্লল্লে। অতৈ গ্রেদ থ্রীগী ইমপ্লোয়ীশিংগীদি লুপা লিশিং ২ গ্রেদ পে হেনগৎখ্রে। দ্রাইভরশিংবুদি নমথবীরি। চপ মান্ননা য়েংবীয়ু হায়বনি। লৈঙাক্কী অনৌবা পোলিসী অমগা লোয়ননা ৱার্ক চার্জ/মষ্টর রোলশিং রেগ্যুলর ওন্থোকপীয়ু। ষ্টেট অয়াম্বদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনখ্রবা স্কিমনি। পোৎচৈগী মমল তাঙখৎলক্লে। দ্রাইভরশিংগী দিমান্দ পীথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লোক্তাক ইন লেন্দ ৱাটর ট্রান্সপোর্ট প্রোজেক্টকী মতাংদা ঙামীশিং তানখিবা লৈতে হায়দুনা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): লোক্তাক ইন লেন্দ ৱাটর ট্রান্সপোর্ট টেবলদা লোইশিনখিবনি। প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা লোক্তাক পাৎতা তারিবা ঙামীশিংগা খন্নখিবা, তানখিবা অমফাওবা লৈতবসি পেন্দে হায়বগী মতাংদা ঙসি পব্লিক মীটিং অমা লোক্তাক ফিশিং এসোসিএসন, নিংথৌখোংনা শীন দুনা লোক্তাক লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লোক্তাক্কী অকোয়বদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কনষ্টিট্যুএন্সি ৮দগী লাক্লিবা ঙামীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিং অদুদা সেক্রেটরি পুল্লেন পাৎ এস জয়, মণিপুর ৱেটলেন্দ ওথোরিটিগী মেম্বর সলাম রাকেশনা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

মীটিং অদুদা নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১৩গী কাউন্সীল্লর কে ঐচ মনিতোম্বী, ৱার্দ অসিগী মেম্বর ওপেন, সোসল ৱার্কর কে ঐচ মনিসনা অমদি ও ইবোপিশকসু শরুক য়াখি। মীটিং অদুদা লোক্তাক ফিশিং এসোসিএসন নিংথৌখোংগী সেক্রেটরি কে ঐচ সুরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঙা ফাবনা মপুং ওইবা শিনফম ওইরিবা ঙামীশিং অসি মতম খরগী মতুংদদি ঙা ফাবম লৈরক্তবা য়াই। হৌজিক লাক্লিবা লোক্তাক ইন লেন্দ ৱাটর ট্রান্সপোর্ট অসি মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌরবদি মোটোর বোট কয়া চলাইরগনি। মসিনা ঙামীশিংগী ঙা ফাবম লৈহল্লোইদৌরি। হৌজিক হৌজিক পাৎ অসিদা মোটোর বোট অমা থৌখিবা মতমদা বোট অদুদগী থাদোরকপা থাউরেকশিংনা মরম ওইরগা ঙা ফাবা ঙমদে। প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা চলাইরবদি মোটোর বোট মশিং হেল্লক্কনি। মসিগী অমাঙবসু হেল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিছোর্স পর্সন ওইখিবা এস জয়না ফোঙদোকখিবদা, চীংদা লোনা য়াদবা পোপী থাবা মীওইশিংনা অল্টর্নেটিভ ইনকম ছোর্স ওইনা থবক পীগনি হায়না লাউথোক্লি। ঙা ফাদুনা পুকচাক তাল্লিবশিংবুনা মৈ থারগা তান্থোকপা অসি পেন্দে। ঙামীশিংগী খনবীদুনা পাৎ অসিদা মোটোর বোট শীজিন্নবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইখিবা সলাম রাজেশনা ফোঙদোকখিবদা, লোক্তাক ইন লেন্দ ৱাটর প্রোজেক্টনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা তারিবা ঙামীশিং তানখিদবা অসি পেন্দে। প্রোজেক্ট অসিনা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা পীরোইদ্রা হায়বনচিংবা কয়া নৈনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোককি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০২।২০২০ ইং, ইরাই,
ফাইরেলগী ১৩ নি পানবা।

**মেষ :** নিংথিনা পোরম য়াৎতুনা পাংবা থবক মহয় য়ানবদা নত্তনা শেল-থুম অমদি অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈ। য়েক্লবা কোক্কনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লৌশিংদি য়াম্না লৈরবসু য়েংনবা অমদি মীৱা লৌবনা থৌনা ফুদোকপদি ৱাগনি। ফংবা য়াবা শেল-থুম অখঙ অহৈগী ৱা তাদ্রদি পনখিনি। খুৎচাও থাদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** মায় পাকচবা, ৱাখল থোকপা অমদি নচাক নরল ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মীয়াম্না চানগনি অমদি চাদিং হন্থগনি। লৈফমগী নুংঙাইতবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হরাওবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** হোয়া ফবা য়ারোই অমদি ফিংবা তৌগনু। মরম চাদনা ইচং থৌবা ঙসিসু য়াদ্রি-নত্রবদি মীনা তুহৎপিদুনা লন ময়েং তাবা য়াবা লৈ। নোল্লুক্না চৎপনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** শাজৎ হৈত্রদি ইকাই-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই অদুনা নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু। অরানবা পাম্বৈ শীজিন্দ্রবদি মায় পাক্কনি, য়েৎনবা কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা।

**কন্যা :** ৱাখল লৈবনা নিংথিনা খন্থরদি অফবা থবক লায়না পাংগনি অমদি অনৌবা থবক পায়খৎপসু য়াগনি। মীতোপকা য়েংথীনবদি লৈগনি-মীতোপ থাজবা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**তুলা :** পূক্নিং ফাথবা অমদি মরুপ-মপাং নত্রগা অখঙ-অহৈ অমা লোয়নবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নীংবদুমক পাংগনি খনগনু অদুনা মরম চাবা য়েংলা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী ৱাখল খংবীবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** পন্দুনা লৈবা লন ফংবা, ফমথোল ফংবগুম মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। অশাওবা লৈরসু ফাথদুনা নুংশিবা ৱাহৈ খোন্দা শীজিন্নদুনা ওইজ ওইথক তালহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা ঙসিসু লৈ। মীচং লৈগনি অমদি ৱাখল থোকপনা ৱাখল থাদরগা পাংবা থবক পাংগনি। লম চৎপা অমদি য়েৎনবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** মীয়াম্না চানবীবা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবগুম হরাওবা অমদি ওইজ-ওইথক তানবদা চাউনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** নঙগী ওইবা মীগী মতেংনা অরুবা থবক পাংগদবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দদি কাইনবা নংগনি- নোল্লুক্না চৎলদি শাফগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু-মী তানৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিন :** নচা-ননাই অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্ নত্তনা অতৈ লম্ অয়াম্বদা চাউনা মায় পাক্কনি। নচাক-নরল চাওখৎপদা নত্তনা মরুপ, শেল অমদি মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# খ্বাং ফনেক, নুপী, পুন্সি

*তুশার নোংথোম্বম*







*Tushar Nongthombam is a lifestyle and landscape photographer.*